# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-09-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর মীয়ামগী অমদি মহৈরোইশিংগী য়েংলগা থবক পায়খৎকনি হায়না রাজ্যপালনা মহৈরোইশিংদা থাজবা পীরকখ্রে।

২) জিরিবাম জিলাগী মোংবুংদা ঙরাং নুমিদাং বোম য়াওনা অকনবা মওংদা লান্দারকখ্রে।

অমসুং

৩) লোক সভা সদস্য ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া য়াওবা চেরোল অমা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহদা পীশিনখ্রে।

------

গর্ভনর (এল)ঃ মণিপুর মীয়ামগী অমদি মহৈরোইশিংগী য়েংলগা থবক পায়খৎকনি হায়না রাজ্যপালনা মহৈরোইশিংদা থাজবা পীরকখ্রে। রাজ ভবনগী সেক্রেটরিয়েটতগী থোকপা চেরোল অমদা হায়- ঙরাং অথেংবদা মণিপুরগী রাজ্যপাল লক্সমন প্রসাদ অচারিয়াগা মহৈরোইশিংগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখ্রে। মহৈরোইশিং অদুনা তাল্লিবা দাবীশিং থবক্তা ওন্থোকপীনবসু রাজ্যপালদা তকশিনখি।

মহৈরোইশিংগী ৱাফম তারবা তুংদা রাজ্যপালনা হায়- মহৈরোইশিং অসি লৈবাক অসিগী তুংগী য়ুম্বীনি। মরম অদুনা মহৈরোইশিংগী অমদি মণিপুর মীয়ামগী য়েংলগা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎকনি।

রেল্লি (এল)ঃ  রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মহৈরোইশিংনা হৌরকখিবা ইরাংদা ঙরাং মহৈরোই ৭০ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে। অশোকপশিং অয়াম্বদী খুদোংথিনিঙাই ওইদবদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, মহৈরোইশিংনা তানখিবা দাবীশিং রাজ্যপালনা পুং ২৪ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোরকপা নত্রগা পাউখুম অমা পীরকপা ঙাইদুনা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা অহিং য়ারেক্তুনা লৈখি। মদুদা মহৈরোই খক্তা নত্তনা মৈরা পায়বীশিং অমদি তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। তুংদা ঙরাং রাজ ভবন তমা খোঙচৎ চৎনবা হোৎনদবা সেক্যুরিতি ফোর্সকা মুক বা থোকখি। তিয়ার গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপ্পুনা খোঙজং চংশিল্লিবা মহৈরোইশিং অমদি মীয়াম তান্থোকবা হোৎনখি।

তুংদা, মহৈরোই ১০ না রাজ্যপাল ডন্নদুনা মখোয়গী দাবীশিং মখা তানা তকশিনখি। অদুমওইনমক, দাবীশিং অসি রাজ্যপালনা পুং ২৪ গী মনুংদা পায়খৎপা য়াবা থবক নত্তে হায়না ফোংদোরকখি হায়রি। হিরম অসিগা মরী লৈননা উন্নবা অদুদা য়াওরুবা মহৈরোই অমনা হায়- মহৈরোইশিংনা থল্লিবা ৱাফমশিং রাজ্যপালনা নিংথিনা তাবীবগা লোয়ননা ৱাফমশিং অদু লুমা লৌবী। অদুবু দাবীশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বগী চপ চাবা মতম থারকপদি লৈতে। মরম অদুনা মহৈরোইশিংনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি হনবা লৈতনা চংশিনখিগনি। খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিদগী মণিপুরদা লৈরিবা স্কুল কলেজশিং বোইকোট তৌরগনি হায়রি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী মোংবুংদা ঙরাং নুমিদাং বোম য়াওনা অকনবা মওংদা লান্দারকখ্রে হায়রি।  পুলিসকী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়-ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ মখায়রোম তাবা অদুৱাইদা চীংথক্তগী বোম য়াওনা নোংমৈ কাপথারক্তুনা লান্দারকপদগী খুল ঙাকপাশিংগা কনবা মওংদা খুৎ থোকখি। তুংদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমসু মফম অদুদা চংশিনখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীশি মীনা অমদি অশোক অপন য়াওবগী পাউ লৈতে। মখা তাবা পাউ ঙাইরি।

কার্ফিয়ু (এল)ঃ মনিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম অসিগী য়েংলগা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা ঙরাং অয়ুক পুং ১১ দগী মতম কক্তুনা কার্ফিয়ু থমজিনখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা তোঙান তোঙানন থোকখিবা ওর্দরশিংদা হায়- কার্ফিয়ু লৈরিঙৈ মনুংদা ইসেন্সিএল সার্ভিসশিং, হেলথ, পি.ঐচ.ই.দি, ম্যুনিসিপালিতিগী ওফিসিএল অমসুং ষ্টাফশিং, পৱার (এম.এস.পি.সি.এল) অমসুং এম.এস.পি.দি.সি.এল, পেত্রোল পম্প, কোর্ট, ফ্লাইট পেসেঞ্জরশিং অমসুং মেদিয়াগী মীওইশিংদদি অথিংবা লৈরোই হায়রি।

থৌবাল জিলাদসু ঙরাং নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ দগী মতম কক্তুনা করফিউ থমজিনখ্রে।

ইন্তরনেট (এল)ঃ মণিপুর সরকারনা ইন্তরনেট সার্ভিস ঙরাংদগী হৌরগা নুমিৎ ৫ নি থিংজিনখ্রে। রাজ্য সরকারগী হোম বিভাগকী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীওই কয়ানা সোসিয়েল মিদিয়াদা অরানবা পাউশিং শন্দোক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি অমদি লন থুম অমাং অতা থোকহল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈবনা ইন্তরনেট সার্ভিস অসি থিংবনি। অথিংবা অসি থা অসিগী ১৫ গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা লৈগনি।

ছুতি (এল)ঃ রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা সরকারনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা মহৈলোইশঙ মখা তানা নুমিৎ নিনি ছুতি থাদোকখ্রে।

মণিপুর সরকারগী ইজ্‌কেসন (এস) দাইরেক্তোরেটনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- সরকারগী স্কুলশিং, গভর্নমেন্ট এদেদ, প্রাইভেট অমসুং সেন্ত্রেল স্কুল পুমমক ঙসি অমসুং হয়েং ছুতি ওইরগনি।

রাজ্য সরকারগী হায়র এন্দ টেকিকেল ইজ্‌কেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হৌজিক্কী ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা রাজ্য

অসিদা মহৈলোইশঙশিং এদেদ, সরকারগী অমদি লন্নাই কলেজশিং ঙসি অমসুং হয়েং ছুতি ওইগনি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ক্লাসশিংসু ঙসি অমসুং হয়েং তৌররোই। অদুমওইনমক, য়ুনিভর্সিতিগী অতোপ্পা থবক থৌরমশিংদি পাঙথোক্কনি হায়না রেজিষ্ট্রারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মখাদা পাঙথোক্লিবা অন্দর গ্রেজ্‌য়েট অমসুং পোষ্ট গ্রেজ্‌য়েটকী পরিক্ষাশিং মতম কক্তুনা য়ৈথোক্লে হায়রি। পরিক্ষাগী অনৌবা মতম কোন্না লেপ্লগনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগ কোন্ট্রোল্লর ওফ একজামিনেসন ইনচার্জনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

বিমোল (এল)ঃ লোক সভা সদস্য ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া য়াওবা চেরোল অমা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহদা পীশিনখ্রে।

মমাং চহিগী মে ৩ দগী হৌরকখিবা ইরাং অসি হৌজিক নৌনা দ্রোনদগী বোম থাদবা অমসুং রোকেট য়াওনা অফবা মখলগী খুৎশু খুৎলায় কয়া শিজিন্নরকপা অসিদা পেন্দবা ফোংদোক্লদুনা ডাঃ বিমোলনা কেন্দ্রদা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা তকশিল্লি। থোক্লিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৈ-শিংনা অমসুং চুমা থবক লৌখৎনবা, সেক্যুরিতি ফোর্স অচান মীরাই নাইবা থৌওং চৎথৈ হায়না মাইকৈ কয়াদগী মরাল শিরক্লিবা অসি নিংথিনা থিজিনদুনা থবক পায়খৎনবা তকশিল্লি। মমাং চহিগী জ্‌নদা শেমখিবা গৌহাতি হাই কোর্টকী হান্নগী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস আজয় লম্বানা লুচিংবা ইনক্বারি কমিতিগী থবক থৌরমশিং লোইশিন্দুনা মখোয়গী ফাইন্দিং অথুবদা পুথোকবা ৱাফম য়াওরি। হাইৱেশিংদা পেসেঞ্জর অমসুং পোৎ চৈ পুবা গাড়িশিং মতিক চাবা সেক্যুরিতিগা লোয়ননা চৎথোক চৎশিনদা অপনবা থোকহন্দনবা অমসুং ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম শোকচিল্লক্লিবা অসিগী য়েংলগা মরী লৈনবা মন্ত্রালয়না টেক্স কোকপীবনচিংবা থৌরাং কয়া পায়খৎনবসু তকশিল্লি। লোয়ননা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা

নাকল অনিগী মীয়ামগী ৱারী শান্নবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু হায়না চেরোল অদুদা তকশিল্লি।

পিএম ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি সেমিকো ইন্দিয়া ২০২৪ হৌদোক্লগনি। নুমিৎ হুমি চুপা গ্রেতর নোইদাদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিগী হিরমনা সেপ্লিং দ সেমি কন্দক্তর ফ্যুচর হায়বা অসিনি। থৌরমদুদা একজিবিতর ২৫০ হেন্না অমদি ৱাঙাংলোই ১৫০ না শরুক য়াগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা- মহেরোই ৭৮ শোক্লে, খোঙজং হেন্না কনশিল্লক্কদৌরি, বেরেল মরুনা পানবদা অমা শোক্লে, রাফনা এম্বুলেন্স দ্রাইভর ফুখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- এ.আরগী দি.জি. ওইরম্বা নায়রগী ৱাফম রিজেক্ট তৌখ্রে, দ্রোন বোম্বিংদা মপান লৈবাক্কী খুৎ য়াওরে হায়বা আই.জি.পি- আই.কে. মুইভাগী ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুরদা অহেনবা সি.আর.পি.এফ পার্সোনেল লিশিং ২ থারক্লগনি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মরুম কোকপা মতমদা ফাদোকপনা য়েলহৌ ঙাশিং মাংশিল্লক্লে হায়বা পাউ অমা সনালৈবাক্কী এনকর কলমদা ফোংলে।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- মণিপুরগী দ্রোন বোম্বিংগী মতাংদা থিজিনবগী থবক নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিদা শিন্নখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- অসাম রাইফলসকী এক্স দি.জি- নায়রগী মথক্তা লমফেল পুলিস ষ্টেসনদা এফ.আই.আর ফাইল তৌখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা কুকি মিলিটেন্টশিং চেলহনখিবগী এ.আরগী মথক্তা পুলিসনা কেস রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লমায়দা

ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- মীয়াম, মহৈরোইশিং, পাল্লি লিদরশিং পুকিং ফাথবিয়ু, পুন্না চংশিনমিন্নদুনা ইং তপ্পা পুরকশি হায়বা গভর্নরগী ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- ৯ শুবা অসাম রাইফলস জে এন্দ কেগীদমক মণিপুর থাদোকখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- এরিয়েল বোম্বিংগী থৌওং কন্দেম তৌনরক্লি হায়না ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস হদিসনদা- ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন ডে পাঙথোকখ্রে হায়না এনকর কলমদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- এক্স দি.জি- পি.সি নায়রগী মথক্তা বি.জে.ৱাই.এমনা এক্সন লৌগদৌরি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- পাষ্টরস কাউন্সিল এল.এম.বি.এ.এমনা ব-দ অমদি ব্লোকেদ তৌবীদনবা আপীল তৌরক্লি হায়না ফোংলি। পাউচে অসিদা নাগা পোলিতিকেল ইসু হয়েং কোহিমাদা খন্নরগনি হায়বা পাউ অমসু ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- মণিপুরগী ক্রাইসিস অসিগী মতাংদা সেন্তরনা খুৎ থিংজিনবীনবা মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে. সংমানা হায়রি হায়বা পাউ অসি ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা নুমিৎ মঙানিগী ওইনা ইন্তরনেট থিংজিনখ্রে হায়না ফোংলি।

------